# মহারাজ কুমার গান্দ্রেজিৎ নীংশিং সুপর দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৯দা রাও অমদি ব্রাই ও এস সি মায় পাকখ্রে





ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৮ (এস এন এস)ঃ

ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিয়েসননা শীন্দুনা মমাঙ থাগী ২১ দগী টিম ৭ না শরুক য়াদুনা চত্থরকপা মহারাজ কুমার গান্দ্রেজিৎ নীংশিং সুপর দিভিজন ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ২০১৯-২০ শান্নখিবগী মেটচশিংদা রাও লাইরিকয়েংবম লৈকাই অমদি ব্রাই ও এস সি খূরাই কোন্সম লৈকাই মায় পাকখ্রে।

খেক্কিগাওগী অবা গ্রাউন্দা লীগ অসিগী ১৬ শুবা মেটচ ওইনা ঙসি গী অহানবা গ্রাউন্দা রাও লাইরিকয়েংবম লৈকাই অমদি এস এ কে য়ুম্নাম খূনৌনা শান্নখিবা মেটচতা রাও লাইরিকয়েংবম লৈকাইনা এস এ কে য়ুম্নাম খূনৌবু গোল ৩-১ দা মায়থিবা পীখি।

মায় পাক্লবা রাওগী গোলশিং অদু অহানবা হাল্ফতা গোল ১ অমদি অনীশুবা হাল্ফত্া গোল ২ চনখি। মায়থিরবা এস এ কে য়ুম্নাম খূনৌগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা অনীশুবা হাল্ফতা চনখি।

শান্নখিবা মেটচ অসিগী হৌরকপা মিনট ১০ চৎপদা রাও লাইরিকয়েংবম লৈকাইগী জর্সি নম্বর ৯ শাইলেন্সনা মেটচকী অহানবা গোল চন্দুনা হাল্ফ লোয়বা ফাওবা ১-০ দা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা হাল্ফকী অঙনবা মিনটশিংদসু রাও লাইরিকয়েংবম লৈকাইনা বোল হেন্না অদুমক পায়রগা শান্নদুনা টিম অসিগী জর্সি নম্বর ৭ কে ঐচ জোতিননা কাওবা ফ্রি কিক অমদা মেটচকী মিনট ৬৪ চৎপদা টিমগী অনীশুবা গোল অদু চন্দুনা ২-০ দা মাঙজিল থাখি।

রাও লাইরিকয়েংবম লৈকাইগী ওফেন্সিপ প্লেয়রশিংনা চাঙনাইন্না তকশিল্লক্তুনা শান্নরকপদগী মিনট ৭১ চৎপদা টিম অসিগী জর্সি নম্বর ১০ দব্লিউ মাইকেলনা টিমগী অহুমশুবা গোল অদু চন্দুনা ৩-০ দা মাঙজিল থাখ্রবা মতুংগী মিনট ৪ কান্নরগা ৭৫ চৎপদা এস এ কেগী জর্সি নম্বর ১৪ দিণামনিনা গোল অমা হন্দোক্তুনা ৩-১ দা লৈখ্রবসু মেটচকী অপীবা মিনট লোয়বা ফাওবদা অহেনবা গোল হাপচিনবা ঙমদবদগী মেটচ অসি মায়থিবা নঙখি।

মেটচ অসিদা রাও লাইরিকয়েংবম লৈকাইগী জর্সি নম্বর ২ এল ওমনিকুমার, জর্সি নম্বর ৭ কে ঐচ জোতিন অমদি জর্সি নম্বর ৪ লমজিংবদা মেটচ কন্দক তৌখিবা রেফরিনা ফাওল শান্নবগী য়েলো কাদ বুক তৌখি।

লীগ অসিগী ১৭ শুবা মেটচ ওইনা ঙসিগী অনীশুবা গ্রাউন্দা এলভেন ষ্টার আকম্পাৎ অমদি ব্রাই ও এস সি খূরাই কোন্সম লৈকাইনা শান্নখিবা মেটচতা ব্রাই ও এস সিনা এলভেন ষ্টারবু গোল ৪-২ দা মায়থিবা পীখি।

মেটচকী হেক হৌরকপা মিনট ২ চৎপদা ব্রাই ও এস সি খূরাই কোন্সম লৈকাইগী জর্সি নম্বর ৫ সিলুনিনা শাফু কন্না কাওশিনখিবা বোল অদু এলভেন ষ্টারগী গোল কিপ্পর অম্বাবু মায়থিবা পীদুনা মেটচকী অহানবা গোল চন্দুনা ১-০ দা মাঙজিল থাখ্রবা মতুং মিনট ৫ কান্নরগা ৭ চৎপদা এলভেন ষ্টারগী দিফন্দরশিংগী অহোবগী তাঞ্জাদা ব্রাই ও এস সিগী জর্সি নম্বর ২৩ নিঙরোননা মেটচকী অনীশুবা গোল অদু চন্দুনা ২-০ দা মাঙজিল থাখি।

মেটচ অসিগী অহানবা হাল্ফকী অপীবা মিনট ৪৫ চৎপদা জর্সি নম্বর ৫ শিলুনিনা মহাক্কীনা অনীশুবা অমদি টিমগীনা অহুমশুবা গোল অদু চন্দুনা হাল্ফ লোয়বা ফাওবা গোল ৩-০ দা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা হাল্ফকী অঙনবা মিনটতা ব্রাই ও এস সি খূরাই কোন্সম লৈকাইগী জর্সি নম্বর ১০ জিতেননা মিনট ৫১ চৎপদা টিমগী ৪ শুবা গোল অদু চন্দুনা ৪-০ দা মাঙজিল থাখি।

মেটচকী লেমহৌরিবা মিনটশিংদা এলভেন ষ্টার আকম্পাৎনা লাকশিন্না শান্নরক্তুনা গোল হন্দাক্লবা হোৎন্নরক্তুনা মেটচকী মিনট ৬১ চৎপদা জর্সি নম্বর ১৯ টিঐচ নিলাকান্তনা গোল অমা হন্দোক্তুনা ৪-১ দা লৈখি।

এলভেন ষ্টারনা হোৎন্নবা লেপ্তনা শানন্নরক্তুনা মেটচকী মিনট ৮৫ চৎপদা জর্সি নম্বর ১০ রামেসনা অনীশুবা গোল হন্দোখ্রবসু ব্রাই ও এস সি খূরাই কোন্সম লৈকাইনা কন্টেস অসিদা লৈন্নবা হোৎন্নদুনা শান্নখিবদগী অহেনবা গোল হন্দাহন্দনা ৪-২ দা মেটচ অসি মায় পাকখি।

মহারাজ কুমার গান্দ্রেজিৎ নীংশিং সুপর দিভিজন ফুটবোল লীগ অসিগী মথংগী মেটচ থা অসিগী ১০ গী নুংথিল পুং ১ তাবদা পি ব্রাই এ কাইরং অমদি উপ্পা কিয়ামগৈনা অহানবা গ্রাউন্দা শান্নগনি। অদুগা নুংথিল পুং ৩ তাবদা কে আই ব্রাই সি খেক্কি অৱ অমদি ব্রাই ও এস সি খূরাই কোন্সম লৈকাহনা অনীশুবা গ্রাউন্দা শান্নগনি।

# ওইনাম চার্লি কাঙ টুর্নামেন্টগী ফাইনেলদা ওইনাম অমদি য়াইস্কুল কেন্দ্রনা শান্নরগনি



ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৮ (এস এন এস)ঃ

মণিপুর কাঙ এসোসিয়েসনগী মীৎয়েং মখাদা ওইনাম রোমেন সিংহনা স্পোন্সর তৌরগা শিংজমৈ কাঙখূৎনা শীন্দুনা মমাঙ থাগী ১৪ দগী টিম ১৩ না গ্রুপ- ৪ থোক্না খায়দোক্তুনা শিংজমৈ কাঙশংদা চত্থরকপা অনীশুবা ওইনাম চার্লি সিংহ নীংশিং চহী ৫০ অমদি ৬০ মথক্কী লীগ কম নোক আওট কেন্দ্র ব্রাইজ কাঙ টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ফাইনেলদা ওইনাম কেন্দ্র অমদি য়াইস্কুল কেন্দ্রনা থা অসিগী ১১ দা শান্নরগনি।

টুর্নমেন্ট অসিগী অনীশুবা সেমি ফাইনেল মেটচ ওইনা ঙসি কৈশামথোং কেন্দ্র অমদি য়াইস্কুল কেন্দ্রনা শান্নখিবা মেটচতা য়াইস্কুল কেন্দ্রনা কৈশামথোং কেন্দ্রবু ১৫-১২ দা মায়থিবা পীদুনা ফাইনেল চঙখি।

মায় পাক্লবা য়াইস্কুল কেন্দ্রগী পাঞ্জলশিং অদু অহানবা হাল্ফতা পাঞ্জল ৭ অমদি অনীশুবা হাল্ফতা পাঞ্জল ৮ কাপ্তুনা পূন্না পাঞ্জল ১৫ স্কোর তৌখি।

মায়থিরবা কৈশামথোং কেন্দ্রগী পাঞ্জলশিং অদুনা অহানবা হাল্ফতা পাঞ্জল ৫ অমদি অনীশুবা হাল্ফতা পাঞ্জল ৭ কপ্তুনা পূন্না পাঞ্জল ১২ স্কোর তৌখি।

মায় পাক্লবা য়াইস্কুল কেন্দ্রগী শান্নরোইশিং অদুদি - এল ওমনাঠ শর্ম্মা, টি ঐচ প্রিয়োকুমার সিংহ, আর কে সনাচাউবা সিংহ, জি পূণচন্দ্র শর্ম্মা, পি ঐচ জয় শর্ম্মা, ব্রাই সমানন্দা সিংহ, আরে কে জি লাসনা সিংহ অমদি এল ব্রজমনি শর্ম্মানি। টিম অসিগী কেপ্তেননা এল ওমনাঠ শর্ম্মানি।

মেটচ অসি আর কে ইঙোচানা অম্পায়র ওইখি।


GOJAVAS COURIER

We need Franchise of " GOJAVAS COURIER" Service (E-COMMERCE) in MANIPUR. For delivery Our parcels. We deal with AMAZON, SNAPDEAL, FLIPKART, MYNTRA,HOMESHOP18, etc interest person please

Contact No. +916000032254
Email- business@ gojavass.com

SL/B/7-11/....5D Alt


## অনীশুবা ইনভাইটেসন জিমনাষ্টিক চেম্পিয়ন্সিপ হৌরগনি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৮ (এস এন এস)ঃ

ওল মণিপুর জিমনাষ্টিক এসোসিয়েসনগী মীৎয়েং মখাদা মণিপুর জিমনাষ্টিক পেরেন্ট এসোসিয়েসননা শীন্দুনা অনীশুবা ইনভাইটেসন জিমনাষ্টিক চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৯ থা অসিগী ১০ দগী ১১ ফাওবা ইম্ফালগী খুমন লম্পাক ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা পাঙথোক্লগনি।

পাঙথোক্কদৌরিবা অনীশুবা ইনভাইটেসন জিমনাষ্টিক চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৯ অসিদা আর্টিষ্টিক অমসুং এরোবিকতা ষ্টেট অসিগী অপূন্ননবা শান্নরোই ৭০ অমদি অসামদগী লকপা শান্নরোই ১৮ না শরুক য়াদুনা অথোয় অহেন তান্নগদৌরি।

## ফাইনেল লাইন অপ লোয়খ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৮ (এস এন এস)ঃ

মণিপুর হেন্দবোল এসোসিয়েসনগী মীৎয়েং মখাদা বি বি এময়াং ইম্ফালনা শীন্দুনা বি বি এ মায়াং ইম্ফালগী গ্রাউন্দা চত্থরিবা ৪৩ শুবা সেনিয়র মেন এন্দ ৱুমেন ষ্টেট লেভেল হেন্দবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯ নুপাগী ফাইনেলদা এ আর সি অমদি এম পি এস সিগা শান্নগনি অদুগা নুপীগী ফাইনেলদনা এম পি এস সি অমদি সিটিজেননা শান্নরগনি।




Owned and Published by Longjam Shyamananda Singh at Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor- Ningombam Hemantakumar, Joint Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, *e-mail : sanaleibak.ads@gmail.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com*